# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নেরোকা এফ সীনা এ আর সী শিল্লোং মায়থীবা পীদুনা অমুক হন্না সী সী মীটকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ ঃ অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোলগী কুম্হৈ অমা ওইরিবা মীয়াম্না অশন্বীদা সী সী মীট হায়রগা হেন্না খঙনবা লেমজনীংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন নেরোকা এফ সী শঙাকফম্না অমুক হন্না ওইখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুং অমসুং খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ৬০ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা নেরোকা এফ সী শঙাকফমনা আসাম রেজিমেন্টেল সেন্টর (এ আর সী) শিল্লোংবু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

মমাঙ চহীগী সী সী মীটকী চেম্পিয়ন ওইরিবা নেরোকা এফ সীনা থংনা থংননা অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অসিনা



মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন নেরোকা এফ সীনা অমুক হন্না চেম্পিয়ন ওইদুনা সী সী মীটকী ট্রোফি লৌরবা মতুং হরাউবা ফোঙদোকপা



সী সী মীটকী রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এ আর সী শিলোংনা ট্রোফি লৌবা

শিল্লোংনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। লোয়ননা মেচ অসি করম্বা টিম্না মায় পাক্কদগে হায়বদা অরুবা অমা ওইখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুগী হাফ মতুংদা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা এ আর সী শিল্লোংগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথরকখিবনা গোল মরি থংনা থংননা চনশিন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৫ শুখি।

নেরোকা এফ সীগী গোলশিং অদু ফোরেন প্লেয়র ইজিগৌ চিনেদো ইমান্যুএলনা গোল অমা চনখি। ষ্ট্রাইক্কর এস সুভাসনা গোল অনী, সী ঐচ সুসিল কুমার অমসুং টি ঐচ জোনসন্না গোল অমমম চনখি। এ আর সী শিল্লোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দল্লিয়ু রোজেন্না চনখি।



নুপাগী ফুটবোল্লর ওফ দ ইয়র তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী এন জি রোনাল্ড



নুপীগী ফুটবোল্লর ওফ দ ইয়র তাখ্রবী ঈ এস য়ুগী ঈ পান্থোই চনু



৬০ শুবা সী সী মীটকী ফ্যের প্লে টিম তাখ্রবা দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা ট্রোফি অমসুং শেলগী মনা লৌবা



বেষ্ট গোলকিপর তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী ললিৎ থাপা



বেষ্ট প্লেয়র ট্রোফিগী মনা ফংখ্রবা নরোকা এফ সীগী এস সুভাস



সী সী মীটকী টোপ স্কোরর তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী ইজিগৌ চিনেদু ইমান্যুএল



মেন ওফ দ ফাইনেল মেচ তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী ইজিগৌ চিনেদু ইমান্যুএল



নুপাগী কোচ ওফ দ ইয়র তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী গীফ রাই খান



নুপীগী কোচ ওফ দ ইয়র তাখ্রবী ক্রিপসাগী এল চাউবা দেবী



বেষ্ট দিফেন্দর তাখ্রবা এ আর সী শিল্লোংগী দল্লিয়ু রোজেন



বেষ্ট মিদফিল্ডর তাখ্রবা এ আর সী শিলোংগী ঐচ নাওবা



বেষ্ট রেফ্রি তাখ্রবা সাপম কেনেদি (ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি)



বেষ্ট ষ্ট্রাইকর তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী এস সুভাস



বেষ্ট য়ঙ প্লেয়র তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী সী ঐচ কিষন



বেষ্ট এসিষ্টেন্ট রেফ্রি তাখ্রবা এল সনাতোম্বা

টিম অসি মপাঙ্গল কল্লি হায়বা অদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা উৎখ্রে।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নেরোকা এফ সীনা ট্রোফিগী ময়ায়দা সনানা লৈতেংবা নিংথিজরবা চেম্পিয়ন ট্রোফিগী মপু অমুক হন্না ওইদুনা লুপা লাক্ষ ৩ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা এ আর সী শিল্লোংনা ট্রোফি অমসুং লুপা লাক্ষ ২ গী শেলগী মনা ফংখি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ১৯৫০ দগী হৌদুনা চথরকখিবা সী সী মীট অসিদা এ আর সী শিল্লোং অনীরকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি অদুবু লাইবক থীবদগী অমুক্তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদ্রি। য়াম্না পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অসিনা নেরোকা অমসুং এ আর সীগী ওইনদি সী সী মীটকী ফাইনেলদা থেংনবা অনীরকশুবনি।

কুমজা ২০১২ দা নেরোকা অমসুং এ আর সী শিল্লোংনা অহানবা ওইনা ফাইনেলদা থেংনখিবা অদুদা নেরোকানা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

লমদমসিগী ওইনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা টিম অমনি হায়না মীয়াম্না লৌনরিবা নেরোকা এফ সীনা কুমজা ২০০০ দগী হৌনা সী সী মীটকী ফাইনেলদা চঙবা ঙল্লক্তুনা চহী অদুমক্তদা এস এস বিগা শান্নখিবদা মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা সী সী মীটকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। হন্দক্কী অসিনা নেরোকা এফ সীনা সী সী মীটতা চেম্পিয়ন ওইবা অসি মঙারকশুবনি।

নেরোকা এফ সীনা কুমজা ২০০০, ২০১১, ২০১২, ২০১৫ অমসুং ২০১৬ তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখ্রে। নেরোকানা কুমজা ২০০২ অমসুং ২০০৮ দা রন্নর্স-অপ তাখি।

ঙসি লোইশিনখিবা ৬০ শুবা সী সী মীট অসিদা নেরোকা এফ সীনা চেম্পিয়ন'স ট্রোফি য়াওনা ইন্দিভিজুএল প্রাইজ ১০ লৌখিবগা লোয়ননা পূন্না মনা ১১ লৌবা ঙমখি।

ফুটবোলদা ঙাওজবা মীওই লিশীং ২০ লোম্না মিৎয়েং তাখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা নেরোকা এফ সী অমসুং এ আর সী শিল্লোংগী সপোর্টরশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মাগী মাগী পামজবা টিমশিং অমদি শান্নরোয়শিংবু লাউ-খোংবা অমদি বম্বুলা থাদুনা হরাউবা ফোঙদোক্লখি।

য়াম্না ইতিহাসিক ওইবা ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা মায় পাক্লবা নেরোকা এফ সী অমসুং এ আর সী




HL-P/0023/23.24.25.27(Ad)



HL-B/3537/14/12-14/01
Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com